# ইন্দিয়াগী রোহন বোপনা অমসুং কনাদাগী দেনিস সাপোভালোব রোজর্স কপকী নুপাগী দবলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

মোন্ত্রিএল/টোরোন্টো, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী)ঃ
কনাদাগী মোন্ত্রিএল অমসুং টোরোন্টো সিটি অনীদা চপ মান্নবা মতমদা নুপা অমসুং নুপীগী রোজর্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লিবা অসিগী মনুং চন্না নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রোহন বোপনা অমসুং কনাদাগী দেনিস সাপোভালোবনা বৃটেনগী কে এদমুন অমসুং যু এস এগী টি ফ্রিটজপু ক্বার্টর ফাইনেলদা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং কনাদগী পেয়র অদুনা ইংলেন্দ অমসুং যু এসকী শান্নরোয় অনী অদুগী সার্ভিস গেম অমা অহানবা সেটতা ব্রেক তৌবা ঙমখিবগা লোয়নননা মখোয়গী মায়কৈদগী সার্ভিসশিং অদু শোইহনখিদবদগী ৬-৩দা থোইরগা সেট অমা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেট বৃটেনগী কে এদমুন অমসুংযু এসকী টি ফ্রিটজকী মায়কৈদগীয়াম্না কন্নালম্বা পীরক্তুনা ইন্দিয়াগী বোপনা অমসুং কনাদাগী সাপোভালোবকী মায়কৈদগী সার্ভিস মুন্নবা হোৎরকখি।

মদুগী ওন্নবদা বোপনা অমসুং সাপোভালোবনা মখোয়গী সার্ভিস গেম অমগা অমুক মুন্দুনা অনীশুবা সেট অদু ৬-৪দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না ফাইনেল য়ৌনবগীদমক ফ্রান্সকী বি পাইরে অমদি স্বিজর্লেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কাকা সেমি ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াইল পাইরে অমসুং ৱারিঙ্কানা জর্মনিগী পেয়র কে ক্রাৱিটচ অমদি এ মিয়াসপু ৬-৩, ৩-৬, ১০-৮তা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা শান্নরোয়শিংগী মশক খঙদোকপা লোইখি। নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ইটালিগী এফ ফোগনিনিগা লম্বা তৌনরগনি। নদালনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী বি পেলাবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইরমখি। ফোগনিনিনা ফ্রান্সকী মনারিনোবু ৬-২, ৭-৫তা মায়থীবা পীখি।

জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেব অমসুং রসিয়াগী কে খচানোব ক্বার্টর ফাইনেল থেংনগনি। ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা জ্বেরেবনা গ্রিসকী এন বাসিলাস ভিলিবু য়াম্না অকনবা মেচ অমদা ৭-৫, ৫-৭, ৭-৬ (৭-৫)দা থোইরম্বনি। অমরোমদা খচানোবনা কনাদাগী শান্নরোয় ওগর এলিয়াসিমবু ৬-৭ (৭-৯), ৭-৫, ৬-৩দা থোইরমখি।

২শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা রসিয়াগী দি মেদবেদেবকা লম্বা তৌনরগদৌরি। থিয়েমনা অহুমশুবা রাউন্দদা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিকপু ৭-৬ (৯-৭), ৬-৪দা থোইরম্লগা রসিয়াগী মেদবেদেবনা চিলিগী সি গারিনবু ৬-৩, ৬-৩দা মায়থীবা পীখি।

স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোয় ১০ শুবা সিদেদ বোতিস্তা অগুটনা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসকা লম্বা তৌনরগনি। অগুটনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী রিচার্দ গাস্কিবু ৭-৫, ৭-৫তা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, গেল মোনফিলসনা মহাক্কী ৩শুবা রাউন্দগী মেচতা পোলেন্দগী ঐচ হুটকাজবু ৬-৪, ৬-০দা থোইরমখি।

টোরোন্টো সিটিদা পাঙথোক্লিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তসু ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা মশক খঙদোকপা ঙমখি। ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় জপানগী নাওমি ওসাকানা ৮ শুবা সিদেদ যু এস এগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসকা লম্বা তৌনরগনি।

ওসকানা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দ মেচতা পোলেন্দগী আই সিয়াটেপবু ৭-৬ (৭-৪), ৬-৪দা থোইরম্বনি। অমরোমদা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা রসিয়াগী ই অলিজান্দ্রোভাবু ৭-৫, ৬-৪দা অহুমশুবা রাউন্দ অদু থোইখি।

৩ শুবা সিদেদ ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী কেতালিনা প্লিসকোভানা কনাদাগী বি এন্দ্রিসকুগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নরগনি।

প্লিসকোভানা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা ইষ্টোনিয়াগী শান্নরোয় এ কোন্তাভিটপু ৬-৩, ৭-৫তা থোইখি। লোয়নননা নেদর্লেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু এন্দ্রিসকুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ১-৬, ৭-৬ (৯-৭), ৬-৪তা থোইরমখি।

রোমানিয়াগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ সাইমোনা হালেপনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী ভুসকোভানা শান্নরগনি। ভুসকোভানা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোবু ৬-২, ৬-২দা থোইখি। অদুগা হালেপনা রসিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভাবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-২, ৬-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ক্বার্টর ফাইনেলদা যু এসকী এস কেনিনগা লম্বা তৌনরগনি। কেনিননা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা য়ুক্রেনগী শান্নরোয় দিয়াস্ত্রিমসকাবু ৬-২, ৬-২দা থোইরম্লবা মতুং স্বিটোলিনানা স্বিজর্লেন্দকী বেলিন্দা বেন্সিকপু ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী দবলসতা নম্বর ১ সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী বি ক্রোজিকোভা অমসুং কে সিনিয়াকোভা সেমি ফাইনেল য়ৌখি। মখোয়না ক্বার্টর ফাইনেলদা যুএসকী এবিগেলস স্পেয়র্স অমসুং য়ুক্রেনগী এন কিচেনোকপু ৬-১, ৬-১দা থোইরম্বনি।

লোয়নননা জর্মনিগী এ এল গ্রোনফেল অমসুং নেদর্লেন্দসকী দি স্ক্রুর্সনা যু এসকী এন মেলিচর অমদি জেক রিপব্লিক্কী কে পেসকেবু ক্বার্টরর ফাইনেলদা ৬-২, ৬-৪দা শোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখি।





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০০

১) লূপ অসি মণিপুর সরকারদা কুমজা ১৯৫৫-৫৬তা রেজিষ্টর তৌখি। লূপ অসিনা ষ্টেট অসিদা শান্নবগী অশিল অরাংশিং তৌই। লুপ অসিনা মশা-মউ ফবা তান্নবগী থৌরমশিংদসু থৱাই য়াওনা অথোয় অহেন তান্নহল্লি। লুপ অসিগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৬২দা কংলাদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট গেমসতা মহাক্না মরাথন্দা মকোক ওইখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ইন্দিয়াগী টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিজদা টেষ্ট মেচ শান্নবা চৎখিবদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্টেন অদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা মহাক্কী তিমদা লমহেনবা ফর্স্ত বোলর অমা য়াওই, মহাক্না বোল হুনবদা চহী ১৮ শুরবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী শান্নরোয় অমদা মকোক্তা থাখি। মদুদা মহাক্না 'শোইখ্রে' ফাওবা হায়খিদে। অদুগা ইন্দিয়াগী টিমদা খরা চেকশিন্নবা হায়খি। অদুম থোকখি, ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অদু মহাক্কী বোলনা মকোক্তা থোম্বদা মনাতোন্দা অমসুং মনাকোংদা ঈ তারকখি। মহাক ওপরেসন তৌখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্তেন অদুগী মমিং পীয়ু।



৪) করম্বা Poloগী শগোলবু সনাবী কৌবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইংলেন্দগী মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদ ক্লবতগী রোমেলু লুকাকু ইটালিগী ক্লব ইন্টর মিলানদা ট্রান্সফর তৌখ্রে

রোম, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী)ঃ
মমিং লৈরবা বেলজিয়মগী ষ্ট্রাইকর রোমেলু লুকাকু মহাক্কী হান্নগী ক্লব ইংলেন্দগী মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদতগী ইটালিগী ক্লব ইন্টরনমিলানদা চহী ৫গী ট্রান্সফর অমা য়ান্নখ্রে।

ইন্টর মিলাননা ইংলেন্দগী মেনচেষ্টর য়ুনাইদেটতা শেল কয়া পীরগা ট্রান্সফর তৌরিবনো হায়বদুদি চপ চাবা মশিং খঙহনখিদ্রবসু য়ামদ্রবদা যু দোল্লর মিল্লিয়ন ৯০ নক্লা শোইদনা ওইগনি হায়রি।



লুকাকুনা ইংলিস প্রেমিয়র লিগতা ক্লব ৩দা শান্নরকপদা পুন্না পাঞ্জল ১১৩ চনবা ঙল্লি। ইন্টর মিলনানগী কোচ এন্তোনিয়ো কোন্তেনা কুমজা ২০১৭দা চেলসিগী কোচ ওইরিঙৈদা লুকাকুবু ক্লব অদুদা লৌশিন্নবা হোৎনবা ঙমখিদবা অদু হন্দক্তি মায় পাক্লে হায়খি।

# হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী সৌরব বর্ম্মনা অজয় জয়ারাম মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

হায়দরাবাদা, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী)ঃ
হায়দরবাদকী সিটি গাচিবাউলিদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন চেম্পিনয়শিপকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনীগী লম্বদা সৌরব বর্ম্মনা অজয় জয়রামবু মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা শান্নরোয় অনীমক লম্বা মান্ননা পোইন্ট লৌবা ঙম্মখি। ৭শুবা সিদেদ ওইরিবা বর্ম্মনা গেম অদু ২১-১৮দা থোইরগা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা গেম অদুদদি সৌরব বর্ম্ম মশান্নদা অজয় জয়রাম পাউখুম পীবদা অৱাবা অমা ওইখি। ওল রাউন্দ মশান্নদা বর্ম্মনা হেঞ্জিল্লকপদগী ২১-৯দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা মলেসিয়াগী শান্নরোয় ইসকন্দর জুলকর্নেল জাইনুদ্দিনগা লম্বা তৌনরগনি।

ইকন্দরনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোয় বাই যু পেংবু ২১-১৬, ১২-২১, ২১-১৩দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী হিয়ো ক্বাং হি অমসুং সিঙ্গাপোরগী লো কিন য়ুগা থেংনরগনি। কোরিয়াগী শান্নরোয় অদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেসিয়াগী কালে কোলজোনেলবু ২১-১০, ২১-১৮দা থোইরমখি। অদুগা সিঙ্গাপোরগী শান্নরোয় অদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুভানকর দেবু ২১-১১, ২১-১৬দা থোইরম্বনি।

নুপাগী দবলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা পেয়র মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদি ক্বার্টর ফাইনেলদা কোরিয়াগী না সুং সিয়ুং অমদি ৱাং চানগী মখুৎতা গেম ১-২দা মায়থীবা নংখি।

অহানবা গেম ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা ২১-১৯দা থোইখি। অনীশুবা গেমদা কোরিয়াগী পেয়র অদুনা ২১-১১দা থোইরবা মতুং দিসাইদিং গেমদা ইন্দিয়াগী অত্রি অমসুং রেদিনা পোইন্ট ১৫-১১দা মাংজিল থাদুনা লৈরম্বা অদু চেকশিনবা ৱাৎখিবদগী কোরিয়াগী পেয়র অদুনা তানখৎলগা ২১-১৭দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

মখোয়না অতোপ্পা কোরিয়াগী পেয়র মিন হ্যুক কাং অমসুং কিম জে হুৱানগা লম্বা তৌনরগনি। কাং অমসুং হুৱাননা চাইনাগী হুৱাং কাই জিয়াং অমসুং লিয়ু সেংবু ২১-১৯, ২১-১৭দা থোইরম্বনি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র এম আর আর্জুন অমসুং শ্লোক রামচন্দ্রনবু চাইনিজ টাইপৈগী লি জে হুই অমদি য়াং পো স্বাননা ২১-১৯, ২১-৯দা থোইরমদুদা সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী মুহমদ সোহিবুল ফিক্রি অমসুং বগাস মোলানাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী ইন্দিয়াগী পেয়র অশ্বিনি পোনাপা অমসুং এন সিকি রেদি সেমি ফাইনেল য়ৌখি। মখোয়না ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র জে মেগনা অমসুং পুরবিসা এস রামবু ২১-১৬, ২১-১৫দা থোইরমখি। মখোয়না সেমি ফাইনেলা হোংকোংগী ফান কা য়ান অমসুং ৰুয়ি টিংগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা সিঙ্গাপোরগী য়িয়ো জিয়া মিন অমসুং থাইলেন্দগী ফিতয়াপোর্ন সাইৱানগা অহানবা সেমি ফাইনেল লম্বা তৌরনগনি।

মিননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী পাই য়ু পোবু ২১-১৬, ১৮-২১, ২১-১৯দা মায় পাক্লকখি। লোয়নননা সাইৱাননা চাইনাগী ঝাং য়ি মানবু ১৯-২১, ২১-১৬, ২১-১৯দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা সাউথ কোরিয়াগী আন সি য়ং অমসুং থাইলেন্দগী পোর্নটিপ ৰুরানাপ্রাসেসুক্কা লম্বা তৌনরগনি।

য়ংনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোয় বেনয়াপা এমসার্দপু ২১-১৭, ২১-১৬দা থোইরম্বনি। অদুগা পোর্টিপনা রসিয়াগী নটালিয়া পর্মিনোভাবু ২১-১৪, ২১-১৯দা মায়থীবা পীখি।

# য়ুথ ও দি আইদা ইন্দিয়াগী টিম ইংলেন্দগী মখুৎতা ৱিকেট ৮দা মায়থীখ্রবসু ফাইনেলদা বংলাদেশকা লম্বা তৌনরগনি

বেকেনহাম, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী)ঃ
ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী চহী ১৯ মখাগী ৱান দে ইন্টর্নেসল ট্রাই সেরিজগী ১২রকশুবা এদিসনদা ঙসি ইন্দিয়াগী টিম দি এল মেথদতা ইংলেন্দগী মখুৎতা ৱিকেট ৮দা মায়থীবা নংখ্রবসু হয়েং শান্নগদবা ফাইনেলদা বংলাদেশকী টিমগা লম্বা তৌনরগনি।



বেকেনহামগী কেন্ত কাউন্টি ক্রিক্রেট গ্রাউন্দদা ঙসি ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী টিমগা ইংলেন্দগী টিম অদুগা লম্বা তৌনখি। ইন্দিয়ানা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়ানা অপীবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ২৭৮ লৌবা ঙমখি।

ওপনর দিভিয়ান্স সকসেনানা রন ১০২ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। কেপ্টেন প্রিময়ম গর্গনা রন ৫১ লৌরম্বা অদুগা তিলক বর্ম্মনা শুপ্ন গী বোল ২৫দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫২ লৌরম্বা পর্ফোমেন্সশিং অদুশীংথাবা য়াবা ওইখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী কেপ্টেন জের্স বালর্দসন অমসুং জোই ইভিসননা ইন্দিয়াগী বেটচমেন ৩/৩ আউট তাহনখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা বোল্লরশিং ওইখি।

ইন্দিয়াগী লোইখ্রবা মতুং ইংলেন্দনা ২৭৯ লৌগদবা অদু নোং তারকপা মরম্না দি এল মেথটতা ওভর ৪২দা হন্থরবা মতুং মায় পাক্কদবগী টার্গেট অদু রন ২১৪দা হন্থখি। মদুদা ইংলেন্দনা ওভর ৪১ গা বোল ৩দা ৱিকেট ২খক তুরগা রন ২১৪ লৌদুনা মেচ অদু মখোয়না ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮দা থোইখি। টিম অদুগী দোন মোস্লিনা আউট ওইদনা রন ৭৪ লৌরমখি।

ওপনর চার্জৱদ অমসুং তোমসু মথং শীৎনা রন ৪৬ অমসুং ৬৬ লৌরমখি।

টাই সেরিজ অসিদা লৈবাক ৩না মেচ ৮/৮ শান্নবদা বংলাদেশনা পোইন্ট ১১ ফংলগা মকোক ওইখি। অদুগা ৮ ফংদুনা অনীশুবা তাখিবা ইন্দিয়াগা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবনি।

# অল্টিমেট টেবল টেন্নিস ২০১৯দা দবঙ দিল্লিনা য়ু মুম্বাবু ৮-৭দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা অল্টিমেট টেবল টেন্নিস লিগকী ৩লক শুবা সিজনদা ঙসি দবঙ দিল্লি টিমনা য়ু মুম্বা টিমবু গেম ৮-৭তা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা লম্বা তৌনরিবা টিমশিংনা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেচ ২, নুপীগী সিঙ্গলসকীসু মেচ ২ অদুগা মিক্স দবলসকী মেচ ১ থারগা পুন্না মেচ ৫ লম্বানি। লোয়নননা মেচ ১দা গেম ৩/৩ শান্নগনি। অহানবা থংনবা গেম অনী থোইরবসু অরোইবা অমদি অহুমশুবা গেম অদুসু শান্নগদবনি।

দবঙ দিল্লিগী মায়কৈদগী নুপীগী সিঙ্গলসকী মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ১৪ রোমানিয়াগী বর্নাদেত জোক্সনা য়ু মুম্বাগী ৱর্ল্ড নম্বর ১১ হোংকোংগী দু হুই কেমবু ১১-৫, ১১-৮, ১০-১১দা থোইদুনা পোইন্ট ২ লৌবা হৌখি।

অনীশুবা মেচ অদু নুপাগী সিঙ্গলসকী ওইখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ওইরিবা সাথিয়ান গনসেখরননা য়ু মুম্বাগী শান্নরোয় কজাকস্তানগী কিরিল জেরাসিমেনকোবু ৬-১১, ১১-৭, ১১-৮তা থোইদুনা সেমি ফাইনেল অদুনা পোইন্ট ৪-২দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

সেমি ফাইনেল টাই অদুগী অহুমশুবা মেচ অদু মিক্স দবলসকী লম্বা ওইখি। দবঙ দিল্লিগী মায়কৈদগী সাথিয়ান গনাসেখরন অমসুং বর্নাদেত জোক্সকী পেয়রনা য়ু মুম্বাগী মনাব থাকর অমসুং দু ওই কেমগী পেয়রগা শান্নখি।

পনবা য়াই, য়ু মুম্বাগী দবলসকী পেয়র অদু টুর্নামেন্ট অসিদা অমুক ফাওবা মায়থীবা নঙদ্রিবা পেয়র অমনি। ঙসিগী সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম য়ু মুম্বাগী পেয়র অদুনা ১১-৯দা থোইখি। অনীশুব গেমদা দবঙ দিল্লিগী সাথিয়ান অমসুং জোক্সনা ১১-৯দা থোইবা ঙল্লবা মতুং অহুমশুবা গেম অদুসু ১১-৮তা থোইদুনা পোইন্ট ৬-৩দা মখা তানা মাংজিল থাবা ঙমখি।

সেমি ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা রিভর্স মেন্স সিঙ্গলস মেচতা দিল্লি বদঙগী শান্নরোয় স্বিদেনমচা জোন পর্সোন অমসুং য়ু মুম্বাগী শান্নরোয় মানব থাকরগা লম্বা তৌনখি।

অহানবা গেম য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরক্তুনা পোইন্ট ১০-১০ ফাওবা মান্নখি। অদুবু মানবনা ১১-১০দা থোইরগা অপুনব পোইন্ট অদু দবঙ দিল্লিনা ৭-৫দা অদুমক মাংজিল থাখি।

নুপীগী রিভর্স সিঙ্গলসতা দিল্লি দবঙগী ক্রিতিকা সিনহা রোই অমসুং য়ু মুম্বাগী সুতিরথা মুখর্জিগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা দবঙ দিল্লিনা পোইন্ট ১খক ফংলগা সেমি ফাইনেল মায় পাক্কদবা মরম্না য়াম্না চেকশিন্না শান্নখি। অমরোমদা য়ু মুম্বাগী সুতিরথা মুখর্জিনা গেম ৩মক থোইরবদি দবঙ দিল্লিবু পোইন্ট ৮-৭দা থোইদুনা ফাইনেলদা মখোয়সু য়ৌবগী খুদোংচাবা লৈখি।

অহানবা গেম সুতিরথা মুখর্জিনা ১১-৯দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুসু দবঙ দিল্লিগী ক্রিতিকা সিনহা রোইনা ১০-১১দা য়ু মুম্বাগী সুতিরথা মুখর্জিনা থোইদুনা গেম ২-০দা মাংজিল থাবা ঙমখি। অরোইবা গেম অদু শান্নরোয় অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নদুনা অথোইবা শান্নরোয়না মখোয় মখোয়গী টিমবু ফাইনেল য়ৌহনগদৌরিবনি।

পোইন্ট ১০-১০ ফাবা মান্নদুনা লৈরক্লবা মতুং গোল্ডন পোইন্ট অদু দবঙ দিল্লিগী ক্রিতিকা সিনহা রোইনা ফংদুনা ১১-১০দা থোইখিবদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি

হয়েং অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা চেন্নাই লাইওন্স অমসুং গোৱা চেলেঞ্জর্স লম্বা তৌনরগনি।

# দুতি চান্দনা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সতা য়ুরোপিয়ন টুর্নামেন্টশিং শরুক য়াননবা ভিজাগী মতেং পাঙবীয়ু হায়রকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী লমজেল য়াঙবা ওইরিবী দুতি চান্দনা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক য়ুরোপ্তা পাঙথোক্কদা টুর্নামেন্টশিংদা শরক য়াননবা ভিজা ফংনবগী মতেং পাঙবীয়ু হায়না এক্সটর্নেল এফের্সকী মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করদা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই, চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমসতা দুতি চান্দনা গোল্ড মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী এথলেট অমনা মকোক ওইবা ঙম্বগী রেকোর্দ থমখিবনি। ইন্টর্নেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসননা এপ্রুভ তৌরবা আইয়রলেন্দদা ওগষ্ট ১৩দা পাঙথোক্কদবা কম্পিটিসন অমসুং জর্মিদা ওগষ্ট ১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা এথলেটিক্স মিট অদুদা শরুক য়ানবা হোৎনরকপদা ভিজা ফংদনা লৈরিবনি।

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্সকী শেম শাবা অমসুং চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াননবা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদ্রিবনি। য়ুরোপকী কম্পিটিসন অনী অদুদা ফজবা ঙল্লবদি ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

দুতি চান্দনা জুলাই ১০দা ৱর্ল্ড য়ুনিভর্সিটি গেমতা মিটর ১০০গী লমজেল অদু সেকেন্দ ১১.৩২দা চেন্দুনা গোল্ড ফংখি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাইয়িং মতমদা ১১.২৪নি। অদুগা টোকিও ওলিম্পিক্সনা ১১.১৫নি। মহাক্কী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা মতম অদুদা ১১.২৪ ওইরি।